ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯃꯦ ꯱꯸, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯵꯳ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, মে ১৮, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৫৩শুবা মশীং

## ইন্দিয়ানা চাইনাদগী মশীং হেনগৎলকপা

### পন্দুনা লৈরম্বশিং পুশিল্লকপগী থৌরাং খরা থেংমনখ্রবরা?

কোভিদ-১৯গী ইপিসেন্টরনি হায়না লৌনরম্বা চাইনাদগী ইন্দিয়ানা কেস মশীং হেনগৎলক্লিবসি নুংনাংবা পোক্লিংঙাইনি। খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিগী কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্বদা চাইনানা ১১শুবদা লৈরম্বদগী ১২শুবদা হন্থখ্রে। ইন্দিয়ানা ১২শুবদা লৈরম্বদগী ১১শুবদা কাখৎলক্লে। মালেমদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা লৈবাকশিংদি মথং মনাও নাইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, রসিয়া, স্পেন, য়ুনাইটেদ কিংদম, ব্রাজিল, ইটলি, ফ্রান্স, জর্মনি, টর্কি, ইরান, ইন্দিয়া, পেরু অমসুং চাইনানি। মে ১৮দগী অখন্নবা কাঙলোন খরগা লোয়ননা লোকদাউন ৪.০ চৎনহন্নবা থৌরাং লৌখৎখিবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওইশিং মশা-মশাগী ষ্টেটতা হলহনবগী থবক কন্না পায়খৎলি। তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা মণিপুরগী মীওইশিং পুশিল্লকপগা লোয়ননা মণিপুরদা লৈরম্বা মপানগী মীওই কয়াসু মশা-মশাগী পোক্লফম লমদমদা হলহনখিনবগী থৌরাং লৌখৎলি। মদুনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ খোঙজেল য়াঙনা শন্দোরকপগী মওং অমা উবা ফংলি। অমরোমদা মালেমগী লৈবাক অয়াম্বনা ভেক্সিন পুথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলবসু ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) নদি কোভিদ-১৯ মপূং ফানা লাকশিনবদা চহী ৪/৫ রোম চঙখিগনি হায়রি। দব্লিয়ু ঐচ ওগী এক্সপর্ট সোম্যা বিস্বনাথননা ইন্টরভিয়ু অমদা হায়খি, হৌজিক-হৌজিক ভেক্সিন পুথোরকপা তারবসু চাংয়েং তৌবা, অতেনবা মতমগী মনুংদা দোজ মশীং য়াম্না পুথোকপা, সাইদ-ইফেক্ট য়েংশিনবা অমসুং মালেমগী মফম শীনবা থুংনা য়ৌহনবগী মতাংদা মতম শাংনা চঙখিগনি। মমাঙদা দব্লিয়ু ঐচ ওগী দিরেক্টর জেনরেল মাইক র‍্যাননা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি মতম শাংনা মীওইবা খুন্নাইগা শাগোন্নদুনা লৈখিগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি। ইন্দিয়া য়াওনা মালেমগী লৈবাক অয়াম্বদা লোকদাউন তৌদুনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা থৌরাং লৌখৎপগী মতাংদা দব্লিয়ু ঐচ ওনা হায়, খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসি লাকশিন্নবগী মতাংদা লোকদাউননা খ্বাইদগী ফবা পান্থেনি হায়না লৌবা লানগনি। অথুবা মতমদা ভেক্সিন পুথোক্তুনা মালেমগী মীপূম খুদিংমক্তা ফংহল্লবা মতমদা লাইচৎ অসি লাকশিনবা ঙমগদবনি। লোকদাউননা মতম খরগী ওইনা কোভিদ-১৯ শন্দোরকপগী চাং তপথহনবা তারবসু মীপূম খুদিংমক ময়ূম-ময়ূমদগী হেন্দোকহন্দনা থম্বা হায়বসিনা খ্বাইদগী ফবা পান্থে নত্তে হায়নসু দব্লিয়ু ঐচ ওনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা লৈঙাক্লা পায়খৎপা বন্দে ভারত মিসনগী শরুক অমা ওইনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা ইন্দিয়ন লিশীং কয়ামরুম এয়র ইন্দিয়াগী ফ্লাইটশিংদা হোঞ্জিল্লকখ্রে। ইন্দিয়া মনুংদসু তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটতা পন্দুনা লৈরম্বা মহৈরোয় অমদি মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিং মশা-মশাগী ষ্টেটতা হলহনবা হৌখ্রে। হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা য়ুনিয়ন রেলৱে মিনিষ্টর পিয়ুশ গোয়লনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা শ্রমিক স্পেশল ত্রেন ১,০৭৪ চেন্দুনা মাইগ্রেন্ট ৱর্কর লাক্ষ ১৫ হেন্না মশা-মশাগী ষ্টেটতা পুশিনখ্রে হায়রি। নোংমদা মীওই লাক্ষ ২ হেন্না ত্রেন্দা হোন্দোক হোঞ্জিন তৌবগী থৌরাং লৌখৎলি। মে ১দগী ইন্দিয়ন রেলৱেজনা অন্ধ্র প্রদেশ, দিল্লি, গুজরাট, হরিয়ানা, মহারাষ্ট্র, পঞ্জাব, রাজস্থান, টামিল নাদু, টেলঙ্গনা, কর্ণাটকা, কেরলা, গোৱা, ঝরখণ্ড, উত্তর প্রদেশ, মধ্য প্রদেশ অমদি বিহারনচিংবা তোঙান-তোঙানবা মফমদগী পন্দুনা লৈরম্বা মীওইশিং মশা-মশাগী ষ্টেটতা হোঞ্জিনখি। মতাং অসিদা হৌজিক খন্ননীংঙাই ওইরিবসি গ্রীন জোন ওইরম্বা মণিপুরদা ইখঙ খঙহৌদনা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং য়ামখৎলকপগা লোয়ননা লায়না-লাইচৎ অসিগী ইপিসেন্টর ওইরম্বা চাইনাদগী ইন্দিয়ানা কেস মশীং হেনগৎলকপগী মতাংদনি। মীপূম খুদিংমক মশা-মশাগী ষ্টেটতা হঞ্জনবগী রাইট লৈ, হনফমসু থোকই। অদুবু গ্রীন জোন ওইরম্বা মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং খঙহেন হেনগৎলক্লিবসিনদি পন্দুনা লৈরম্বা মীওইশিং হোন্দোক-হোঞ্জিন তৌবদা অশোয়বা খরা য়াওখি হায়না লৌবদা লানগদবা মান্দ্রে। হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদি মতম শাংনা লোকদাউন তৌরকপগী ৱাহন্থোক লৈহন্দ্রে হায়বা য়াই। পন্দুনা লৈরম্বা মীওইশিং হোন্দোক-হোঞ্জিন তৌবদা চঙখিবা শেনফম অদু শীজিন্নরগা মীওইশিং অদুগী মতেং পাংবীদুনা মশা-মশাগী মফমদা লেঙদনা খুদোংথীবা নংলোইদবা মওংদা লৈহল্লম্বনা হেন্না চুম্বা খোঙথাং ওইরমগনি খল্লি।

## ◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

### মালেম্বু মাঙ-তাকহল্লিবা লায়না, কোভিদ-১৯

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

শা উচেক্তগী মীওইবদা চঙলকপা কোভিদ-১৯গা লান্থেংনবা অসি তরাই-তরাইনা ওইথোক্লে। লোকদাউন তৌবা, মতম শাংদোকপগী ক্যুদা লৈরি। ঙসি-হয়েং তোকপগী ৱাফম নত্তে। ইপা-ইপুনা হায়রম্বা ৱা - 'ঙসি-হয়েং নোংদমলোই, খাম্বী মৈনা চুবগুম চুদুনা পানগনি, য়োৎকী পোলোই, লাইগী শমচেৎ খুঙ্গং মৈ হৌরনি। মমা-মপা য়োল্লগা শগোল লৈদুনা তোংলনি। মীরমদা লৈখিবা মীনা ইরমদমদা লাক্কনি, ঈরমসিদা লৈরম্বা মীনা মরমদা হনখিনি। শেল-থুমগী ৱাদি লুবাক মখুম নাইররোই।' মী পূন্নমক শূফম চৎফম খঙদ্রে। থোঙ্গাল লোন্দুনা লৈরে। লৌউ-শিংউবা ইন্দষ্ট্রি মচা-মচা তৌজবা মীওই কয়া শূবগী, চাবগী, চৎপগী নীংতম্বা ফংদ্রে। অঙাংশিংসু মতম শাংনা লাইরিক তম্বা ফংজদ্রে। অসিগুম্বা থৌওং থৌদৌগী পুন্সি মরেল অসিনা নোংমা নোংমগী লৈখা তাশিল্লকপা নত্তনা করি ওইগনি। চাওখৎপগী খোঙফম লেংখিদ্রবা ঙসিগী মীরোল অসিনা তুংগী ওইরক্কদবা মীরোলগীদমক শুপ্নগী হিংজবা ঙম্নবগী ফিদা অমদি থন্বীরমফম থোকই। শূবনা মীওইবগী হিংনফমনি, শক্তিগী হৌরকফমনি। মীওইবগী ৱাখল লৌশিংনা চাওখৎপগী হৌরকফমনি। মীওইবগী পুৱারীদা অসুক তমথীবা, অসুক শাথীবা লায়না অমা অমুক্তসু থোকখিদ্রি, অমুক্তসু তাখিদ্রি।

লায়না অসিনা মী শিবগী মশীং নোংমা নোংমগী হেঙ্গৎলক্লি। থা খরা অসিদা চাউরাক্লা মীওই লাক্ষ ৩ লোম শিখ্রে। শিগদবা মীওই কয়া য়াওনা মীওই লাক্ষ ৪২ হেন্না লায়না অসিনা নাদুনা লৈরি। অশিবনা য়াকাইরকপা, অহিংবনা পাক্তক্লনা শিজিল্লকপা থৌওং থৌদৌ অসিনা মীওই ক্রোর কয়া চনীং তানা শ্বর হোনবা ঙমশিল্লক্লে। অমুক্তং খন্থসি, মতম হৌখিবা ঙাইরগুমসি, অখুবা মীৎয়েং থাদোক্লদুনা মীওইপোক অসি হিংহনবগী পান্দমদা মালেমসিদা মীওইবা হায়বা ফুরুপ মুৎখিদনবা বিজ্ঞানগী মতেংনা কোভিদ-১৯গী চপ চাবা হীদাক পুথোকমিন্নসি। মমি শান্নবা মীওইবশিংগী খন্দুনা লায়না অসি পূন্না থেংনমিন্নবা তাই। মীওই কাঙলূপ খরনা নাথৈদুনা লৈহৌবদা ঐখোয়গী তুংগী ফীভম করি ওইহৌগনি। থবক শূদবদি য়াই, চাদবদি য়াদে। ইনাকখুনবা তরানা লায়রবা ইমুং অমা শৌগৎপা ঙমদে।

*অদোমগী - য়ুম্নাম নিংথেম, কোংপাল চীঙ্গাংবম লৈকায়*

## লৌমীশিংগী কাখল

# লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

| পাউখুম পীবিরিবা ঃ |
| --- |
| ডা. এম থোইথোই সিংহ |

Q. ঐগী লৌফমদা থাবা থবী মীয়াম্না য়াম্না পাম্নে। অদুবু কুমসিদি থবীসি চাবদা খাই হায়না অয়াম্বনা হায়। ঐনা চাবদসু খারে। মমাঙদা থাখিবা থবী মখলগা চপ মান্নবা মরুনি। মসিবু করি শোয়বদগী খারিবনো? করি তৌরগা খাহন্দবা য়াগদগে?

- মনিচন্দ্র, ৱাংজিং

☞ ঈশিং ৱাৎপা, য়াম্না শাবা মতমদা নৎত্রগা য়াম্না ঈংবা মতমদা থবীশিং য়াম্না খাই। থবীগী মখোকলোম থংবা শরুক্লা কা হেন্না খাগনি। মসি Cucurbitacins হায়না খঙনবা ওর্গেনিক কম্পাউন্দ অমনা থোকহনবনি। থবীদা Cucurbitacin চাং নেম্বা মতমদা খাবা খঙদে। হেনবা য়াওরগনা খাই। চানীংদে।

খাবা হন্থনবা ঈশিং তোয়না চনবীয়ু। পাম্বীনা ঙল্লিঙৈ মতমদা ঈশিং তোয়না পীহৌরবদি খাবা হন্থগনি। অদুবু **ঈশিংদি হেলহল্লোই, ঈনিলদি ৱাংহনগনি।** চয়োল অমদা অনী-অহুম্লক ঈশিং চনগনি নৎত্রগা ড্রিপ ইরিগেসন্না ঈশিং পীগনি। ঈশিং ৱাৎপা মতমদা ওইরবসু লৈবাক মনুংদা ইঞ্চি অহুমগী মখাদি শোয়দনা চোৎহনগনি।

মফমদুগা চানবা, শাবা হন্থহনবা য়াবা করি-করম্বা চানবা থৌরাং লৈবগে য়েংশিনগনি।

থবী থারবা মতুং নুমিৎ ৫০-৬০ ফাওবগী মনুংদা পাল্লি। অরিবা থবী পাম্নদে, খাবা হেনগৎলি। মহৈগী মতোন্দা নপলিবা মপাল হেক কেনবগা হেক্কনি।

চাননবা শোইবা মতমদা খাদনবা পাঙথোকপা য়াবা থৌরাংশিংদি ৱাহংসিগী মনুং চন্দ্রে।

Q. চুজাক লৌখায় অমমুক থারিবসি খুকউমুক ৱাংলে। ময়োল চাবী অমসুং মনাদা নত্তনা চুজাকশিংসু চাবা তীলশিং তাদনবা; অমা/অনী তাবা হেক হৌরকপদা শীজিন্নবা য়াবা হীদাক অমসুং কাপকদবা চাং য়াওনা খঙজনীংই।

- ইবোয়াইমা, শলুংফম
থৌবাল

☞ শীজিন্নবা য়াবা হীদাকশিংগী মনুংদা খরদং লৌখৎলবদা Ampligo (Lamda cyhalothrin 4.6% + Chlorantraniliprole 3.3%) ZC মিলিলিটর ৬ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা মনাশিং মপূং ফানা চোৎনবা কাপথোকপা য়াই। নৎত্রগসু Emamamectin benzoid শীজিন্নবা য়াই।

থাদ্রিবা মফমশিংগীদমক্তা মরু কিলো খুদিংদা Fortenza (Cyantraniliprole 19.8% + Thiamethoxam 19.8) মিলিলিটর মরি তোৎশিনবীরগা থাবীগনি।

Q. হন্দক্কী কুমসিগা খ্বাইদগী হেন্না চানগদবা ফৌসিবু করি ফৌনা ওইগনি? নোংচিংগী ফীভমসিসু ইচুম চুমদে। হার অমসুং হীদাক লাংথকশিংসু চাইনীংবা, কাপনীংবা মতমদা ফংগদবা মান্দে। অফবা ফৌদু ফংনবা হোৎনজগে?

- সোমোরেন্দ্রো, এলাংখাংপোকপী

☞ খ্বাইদগী হেন্না ফবা ফৌ হায়বা অমা লৈতে। ঈশিং ৱাৎপা অমসুং ঈশিং চাউবা অনীমক্তা চানবা ফৌ লৈতবা মরম্না ময়ায় ওইনা ফৈ হায়না খনবা ইশাগী লৌবুক্তুগা চানগদবা ফৌ খনসি। শঙম অমগীদমক য়ুরিয়া কিলোগ্রাম নিফুদগী হেন্না চংলোই। সিঙ্গল সুপর ফোসফেট কিলো ৫০-৬০ অমসুং পোটাস কিলোগ্রাম ১৭ মুক্তা চংগনি। লোকদাউন মনুংদা অফং-অফংবা হীদাক কাপ্পবগী মতম য়ৌরক্ত্রিঙৈদা মফমদুদা তাগনবা লায়না অমসুং তীলনাগী হীদাক মখল ২/৩ খক্তংদি শোয়দনা থমসি।

Q. খামেন অশিনবদা Copper fungicide শিং কাপ্পরি। খামেন অশিনবশিং অসি হৌজিক-হৌজিকসু হেক্লিবনি। মসিবু হকচাং শোক্লোইদ্রা?

- সুবচন্দ্রা, কবোৱাকচীং

☞ শোক্লোই। মহৈ পাল্লিবা অমসুং হৌজিক হৌজিক হেক্লিবা খামেন অশিনবা পাম্বীদা Copper fungicide (eg. Copper Sulphate) কাপ্পদা পাম্বীদা লৈরিবা কোকফাই লায়নাদা নত্তনা বেক্টরিয়াগী লায়না কয়াবুসু ফহল্লি। হীদাক কাপখ্রবা খামেন অশিনবশিংদু থোংননবগীদমক শোইদ্রিঙৈদা মপূম ওইনা চামথোকপদা হীদাক্কী লেমখাকশিং (residue) চৎখিগনি। মসিদা waiting period হায়বা অমা লৈতে। মসিননি ওর্গেনিক ওইনা থাবা মফমশিংদসু Copper fungicide শিং শীজিন্নে। পাম্বীদসু Phytotoxic ওইহন্দে।

*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*
[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা,
ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং
চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]
চিঠি থারকফম
এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ
সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১
নৎত্রগা
অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল ***hueiyenagri@gmail.com*** দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।

# ফোস্ফোরস অমসুং পোটাশকী মরমদা খঙজিনবদা কান্নবা খরা

**- এস সুমঙ্গল -**

হার চাইবগী চপ চাবা কান্নবা লৌবা হায়বসি লৌউ পোথোক হেন্না ফংনবা অমদি শেন্দোং হেন্না ফংনবা য়াম্নমক মরু ওইবা থৌরম অমনি। হৌজিক ফাওবদা লৌউ-শিংউ তৌবিরিবা ইচিন ইনাওশিং অয়াম্বনা হার মখলশিংগী মথৌ ইখঙ খঙদবগুম হার চাইবগী কাঙলোন চুম্না চাইবা ইথেং থেংনদে। মসি হার চাইরগা থারিবা পাম্বীশিং ফবা হেল্লি হায়বদি খঙবা অদুবু হারশিং অসিনা লৌরিবা থৌদাংশিং ইখঙ খঙদবা, লোয়ননা হারশিংনা করম্না মথৌ পাঙথোকই হায়বা খঙদবনা ওইগনি খল্লি। হার য়ুরিয়া অমদি মসিদা য়াওরিবা নাইট্রোজেনগী মরমদদি য়াম্না তোয়না অয়াম্বনা তানরে। অদুবু ফোস্ফোরস অমসুং পোটাশকী মরমদসু খরা খঙজিনবা কান্নগনি খল্লি। মরু ওইনা ফৌ থাবদা হারশিং অসিনা লৌরিবা থৌদাংশিংগী মরমদা খরা হেন্না থমজগে।








ফোস্ফোরস :-

ফোস্ফোরসকী হার মখল, চাং, চাইবগী মতম, মওং অমসুং লৈবাক মখল খুদিংমক চুম্লবা মতমদতা থারিবা মহৈ-মরোংগী চাথোক হেনগৎহনবা ঙমগনি। পাম্বীনা য়াম্না নৌরিঙৈ মতমদগী থেংথরিবমখৈ ফোস্ফোরসকী হার চাইবগী কান্নবা হন্থগনি। মচল অসিনা পাম্বীগী মরা ফহল্লি, পাম্বী খূৎলৈ থুনা চাওহন্দুনা মপূং ফাহন্দুনা মপান ঙন্না শাহল্লি, লোয়ননা মহৈ ঙন্না মুলহল্লি। মচল অসি ৱাৎপনা ফৌ পাম্বীগী শাহৌ থিন্থহল্লি, মনা পাকপা হন্থহল্লি, মনা তেল্লি, মোৎনা শংই, পেক্রুকলৈ মচু ফাওরকই, মচা পোকপা ৱাৎহল্লি।

১) মণিপুরগী লৌফমশিং অসি অশিনবা ওইবনা শীজিন্নবদা হেন্না কান্নবা ফোস্ফোরসকী হার মখলসি ময়াম্না সুপর হায়না খঙনরিবা সিঙ্গল সুপর ফোস্ফেট অসিনি। ডাইমো হায়না ময়াম্না খঙনরিবা দাই এমোনিয়ম ফোস্ফেট হায়রিবা হার মখল অসি য়াম্না ফবা হার ওইজরবসু লৈবাক লৈহাওবু শিনবা হেনগৎহনবা হার ওইবনা শীজিন্নদবনা হেন্না ফরে হায়বনি।

২) ফোস্ফোরস য়াওবা হার খুদিংমক মাঙজৌননা পোৎ থারমদাইগী অরোইবা খোইবদা মমুৎ তানা লৈবাক্তা খোইজিনহৌবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। ফৌ থারবা মতুংদা লৈমায়দা চাইবদা পাম্বীনা ফংবা ৱাৎলি, লোয়ননা মসিনা লৈমায়দা ঈশিং কাবা/পোকপা হেনহল্লি।

৩) পাম্বীনা নৌরিঙৈ মতমদা ফোস্ফোরসকী মথৌ য়াম্নমক লৈ। নৌরিবা পাম্বীগী মরা ফহনবদা মচল অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌই।

৪) নৌরিবা পাম্বীদা মচল অসি মতিক চানা হাপহৌবনা পাম্বীনা লিরবা মতম, মহৈ য়ানবা মতম ফাওবদা শীজিন্নবা ঙমই, অরিবা মনাদগী অনৌবা মনাদা মতম চানা য়ৌহনবা ঙমদুনা চাথোক নিংথিনা পীবা ঙমহল্লি।

৫) লৈরোন্নুংদা খোইজিনখ্রবা মচল অসি ঈশিংনা চেন্থদুনা নৎত্রগা চুমথদুনা কা হেন্না মাঙবা ঙমদে। লৈমায়দা চাইবা মতমদদি পাম্বীদা ফংবসু ৱাৎলি, মাঙখিবগী চাংসু হেল্লি।

৬) মচল অসি য়াম্না তপ্না চৎপা মরম্না ফৌনা মচা পোকপা লোইরমদাই নৎত্রগা লোইরবা মতুংদা হাপ্পা হারনা পাম্বীগী মহৈ-ফৌ মরু য়ৌবা ঙমদনা মরা, মউ অমদি মনাদা তুংশিন্দুনা অদুমক লৈহৌই। ফৌ মরু চঙবা ৱাৎলি, ফৌহাম চেনগল্লি।

৭) মচল অসি কা হেন্না চাইশিল্লবসু পাম্বীদা মাইক্রো ন্যুত্রিএন্ট বোরোন অমসুং জিঙ্ক ৱাৎনা ফংই।

৮) সিঙ্গল সুপর ফোস্ফেট ঈশিংদা তুম্বা ঙম্বা হার মখলনি। মসিদা কেলসিয়ম চাদা ২০ য়াওবা মরম্না লৈবাক শিনবা হেনগৎহন্দে, তপ্না তপ্না লৈবাক ফগৎহল্লি। মসিদা সলফরসু চাদা ১২ য়াওই।

৯) নাইট্রোজেনগী হার য়ুরিয়াগা লোয়ননা চাইদুনা লৈবাক্তা খোইজিনবনা ফোস্ফোরস ফংবা হেল্লি।

পোটাশ :-

পোতাশনা পাম্বীগী হিংবদা অচৌবা থৌদাং লৌই।

১) পাম্বীগী অতৈ মচলশিং মরুওইনা নাইট্রোজেন নিংথিনা শীজিন্নবা ঙমহল্লি।

২) মনানা শুংবা মচিঞ্জাকশিং অতৈ মফমদা য়ৌহল্লি, সেলশিংগী মকু শাবদা অচৌবা থৌদাং লৌই। লোয়ননা সেল মনুংগী অশিন অয়াক চাং চানা থম্বা ঙমহল্লি।

৩) মনাদা য়াওবা মখুনশিংগী (ষ্টোমেতা) মথৌ নিংথিনা তৌহল্লি।

৪) অয়াম্বা পাম্বীগী প্রোতিনগী চাং অমসুং মগুন হেনগৎহল্লি। পাম্বীনা অঙ্গংবা খাঙবা ঙম্বগী চাং, লায়না তীলনা ঙাকথোকপা ঙম্বগী চাং হেলহল্লি। অশোক অপন ফাজিনহনবদা মতেং পাংই।

৫) পাম্বীগী মপুন্সি খরা শাংদোকহন্দুনা চাথোক হেনগৎহল্লি। মহৈ কেনবগী অমদি মনা লিশিন্দুনা কেনবগী চাং হন্থহল্লি।

৬) পোটাশকী হার চাইবনা অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বা পীবগী থৌওং ঙসি ফাওবদা তাদ্রি। অদুবু ক্লোরাইদতা খরা হৈনদবা পাম্বীশিংদা পোটাসিয়ম ক্লোরাইদকী হার চাইবদি ফৎতে।

৭) অরিবা মনাদগী অনৌবা মনাদা য়াম্না য়াংনা য়ৌবা ঙম্মী। মনাগী শংবগী চাং হেলহল্লি।

৮) পোটাশকী কান্নবা ফংনবা পোটাশকা লোয়ননা অতৈ মচলশিং চাং চানা হাপ্পা তঙাইফদে।

৯) পোটাশ ৱাৎলবদি নাইট্রোজেন নিংথিনা ফংবা ঙমদে। লোয়ননা আইরননা হু চেন্দুনা মাঙনবা মচাক ওইহল্লি। ফৌগী লায়না ব্রাউন স্পোট তাহল্লি। ফৌ চাওজন থিহল্লি, ফৌগী মউ পিকনা শোনজুনবা থেংনগনি হায়বদি মউ শোনহনগনি। ফৌনা মোৎনা শংগনি।

১০) কা হেন্না ৱাৎপা নৎত্রগদি ফৌ মচা পোকপগী চাংদি থোইদোক্লা হন্থদে।

১১) ফৌনা লিংথোক্লবা মতুংদগী ফৌ মরু হান্দুনা মরু কনশিন্দ্রিঙৈ মতম ফাওবা পোটাশ চুপশিল্লি।

১২) মচা য়াম্না পোকপা মতম ফাওবা মরক্তা পোটাশ ৱাৎপা ফত্তে। মসিদগী মতম খরা কান্নরবসু হায়বদি মপান মমি তম্বা (পি আই) ফাওবা খরা চুপশিনবা লেপ্লবসু পি আই য়ৌবদগী অমুক চুপশিনবা হৌবনা মতাং অসিদা অরোইবা চাং চাইগনি।

পূম্নমকশিং অসি খঙনা ফৌ থারিবা খুদিংমক্লা হার কাঙলোন চুম্না চাইদুনা ফৌগী চাথোক হেনগৎহন্নবা হোৎনরসি। ●